# অনৌবা নুংঙাইবা পাউ অমা অমদি অনৌবা মীৎয়েং

-নানি



অপূনবা ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংবদা মাইম প্লেগী মচাক অমদি তঙাইফদবা মচল শুনা লৈবা হোল অমা হায়রবদি মার্চ ২৫, ২০২১দা শঙ্গারিবা কংলৈ মাইম রিপরটরি থিএটরগী মাইম হোল, লংথবাল কুঞ্জ অসি ওইগদৌরিবনি। ঙসিদি মণিপুর খক্তগী ৱা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলবসু অসিগুম্বা হোল অমা লৈজরকপা অসি তশেংনা নুংঙাইবা ফাওই। কে এম টি আরগী আর্টিষ্টশিং অমদি মসিগী মপূং ওইনা দিরেক্টর ওইনা লৈরিবা যূম্নাম সদানন্দ (বোয়) গী খ্বাইদগী নুংঙাইজবা নুমিৎ অমা হায়বদু শোয়দনা ওইরমগনি। অসুম্না মশাগী ওইজবা হোল অমা লৈজরকপা অসিনা লমদম অসিদা মাইমগী মুভমেন্ট অসিসু হেন্না কনখৎলক্লগনি হায়না থাজবা থম্লি। হোল অসি মাইম খক্তগী ৱা নত্তনা থিএটর হোল অমা ওইনসু শীজিন্নবা য়াগনি। লীলা উৎফম লৈতবগী অৱাবা কয়া অদুগী অৱাবা শরুক খরদি শোয়দনা মেনখৎপা ঙম্লগনি থাজৈ। হোল অসি অহৌবগী ওইনা দিপার্টমেন্ট ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী বিল্ডিং গ্রান্ট ওইনা লুপা লাখ ১৫ খক কুমজা ২০০৯দা পীরকপা অদুনা হৌদোক্লগা, কে এম টি আরবু নুংশিবীবা মরুপ মপাংশিংগী অমদি আর্টিষ্টশিংনা অৰৈবা-অঙম্বা শেলগী তেংবাঙ পীরকপা অমদি কে এম টি আরগী লৈজবশিংনা ৱানা শাজবনি হায়না গ্রুপ অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা ৱাই সদানন্দনা ফোঙদোরক্লি। নুংঙাইরিবদি, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা গ্রুপকী ওইরবসু, লন্নাইগী ওইরবসু, গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈববু ওইরবসু হোল অমতগী কমপ্লেক্সতা আর্টিষ্টশিংগী লৈফম চাফম ওইনবা কা মচা অমা ফাওবা লৈতে, লৈনবগী খুদোংচাবসু পীদে। অদুবু কে এম টি আরগী মাইম হোল অসিগী কমপ্লেক্স মনুং অসিদা আর্টিষ্ট গেষ্ট হাওস শাদুনা মপানগী আর্টিষ্ট খক্তা নত্তনা লমদম অসিগী অরাপ্পা মফমদগী লাকপা আর্টিষ্টশিংনসু মসিগী খুদোংচাবা শোয়দনা ফংলগনি। আর্টিষ্ট গেষ্ট হাওস অসি ওনরেবল স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা-অপোকপী অনীগী মীংদা কৎপনি। মসিতা নত্তনা কমপ্লেক্স মনুং অসিদা পঙচাউ চাউদ্রবসু অর্কাইভেল সেন্টর ফোর আর্টিষ্ট হায়বা কা অমসু য়াওরি। মসিসু বি গ্যানেশ্বরিনা মহাক্কী ইমা-ইপাগী মীংদা কৎপীরকপনি। তশেংনমকসু, মণিপুরদা থিএটর উৎননবা মফম লৈশিল্লক্ত্রে। হান্নগী লৈজরিবা অরিবা থিএটর হোল রুপমহল, এম দি য়ু, খুরাই শঙ্গিৎ কলা শঙ্গম মমিংগী ওইনা লৈরি, অনৌবা থিএটর তৌজরকপশিংগী অপাম্বা অনীংবদি থুংবা নত্তে। কোরস রিপরটরি থিএটরগী অমা লৈরি। অর্য়ান হোল লৈরম্মী, লৈখিদ্রে। মখারোমদা ককচীংদা অমা, লাংমৈদোংদা অমা লৈরি। চপ চাবা মতমগা চুনবা হোল ওইহনবদি ঙমদ্রি। মতম অমগী থৱায় য়াওজবশিংনা মশিংখা ফুদোক্তুনা শাজরম্বনি। ঙসিগী মীরোল অসিনা শীজিন্নরিবনি। গভর্ণমেন্টকী ওইনদি আর্টস এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী চন্দ্রকৃতি হোল, অৱাইমল য়াম্মী, পাক ৱাইবা ঙম্নদে, ৱাইবদসু কয়া পীদে। জে এন এম দি এগী হোল অমা লৈজৈ, মরু ওইনা জগোয় উৎনবা মশাগী ওইজবা হোলনি, দ্রামা কয়া তৌদে। থিএটর গ্রুপশিংগী মনুংদা মরন্নাই ওইনা হোৎনজদুনা শাজবশিংগী মনুংদা এন টি থিএটর হোংনেমশাং অমদি হন্দক্তা ইনোগুয়রেসন তৌরিবা কে এম টি আরগী মাইম হোল অসিনি।



মাইম হোল অসি শঙ্গাবগা মরী লৈননা মার্চ ২৫দগী ২৯, ২০২১ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা চথুগদবা নেসনল মাইম ৱার্কশোপ অমদি ফেষ্টিবেল অমসু এন ঈ সী, মিনিষ্ট্রি ওফ দোনর, শিল্লোংনা স্পোন্সর তৌদুনা মাইম হোল অসিদা পাঙথোকখি। ফেষ্টিবেল অসিদা মণিপুরগী মনুং অমদি মপানগী গ্রুপ কয়ানা শরুক য়ারি। মদুগী মনুংদা - কংলৈ মাইম থিএটর রিপর্টরিগী "Crushed but alive", সোমা মাইম থিএটর, কোলকটাগী "Sahore Panthaburi", রঙ্গ তরং মন্দল, মণিপুরগী "The Veil", Asif Sherkhan, Rajasthan গী "B+", অহেলি গুহা কোলকটাগী "When I was" হায়বা সোলো মাইম পর্ফোর্মেন্স, কালপতরু গুহা, কোলকটাগী "Lover", মোইনুল হক, অসামগী "Ballonwala Moinul, Moinul and the Dog, I love You Moinul", Umbilical Theatre, Manpur গী "The Wall", Pranab Jyoti Das, Assam গী "Mime Clown" হায়রিবশিং অসি উৎখি। মসিগা লোয়ননা লমদম অসিগী মমিং লৈরবা এল বেদবতি খুনুং ঈশৈ শিন্দম শঙলেনগী ''খুলং ঈশৈ ফাংনবা'', ৱাই জিটেশ্বরিগী রবিন্দ্র শঙ্গিৎতা শাবা জগোয়, জয়া খুন্দ্রাকপমগী সোলো দান্স ''রাজার্ষী ভাগ্যচন্দ্র'', Lianda Folk and Classical Academy গী Tal Pravandha (solo Dance), বাসু সিনাম অমদি কোঙ্গেংবম মোনিকাগী ক্লাসিকেল দান্স ''খান্দিতা'', Nimita Dei Nirtya Ashram, মণিপুরগী ''রাস'', কংলৈ শক্তম লাংবা কাঙলূপকী ''থাঙ তা অমদি শৈথা জগোয়'', Rhythms of Manipur গী "Dancing Drum" উৎখি। অচৌবা ফেষ্টিবেল অমনি। অমনা হেক্তা শীনবদা ৱারগদবা থবক অমা ইরায় লায়না মচু তানা কে এম টি আরনা শীনখি। অনৌবা ৱাখল মীৎয়েং অমনি। মসিগী কান্নবা লমদম অসিগী কলচর তৌজরিবশিংনা শোয়দনা ফংগনি।



কংলৈ মাইম থিএটর রিপরটরি, লংথবাল কুঞ্জ, অসি ঙসিদি তরাইনা লৌবা য়ারক্ত্রে। গ্রুপ অসি ইন্দিয়াগী মফম কয়াদতা নত্তনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা মাইম ফেষ্টিবেল কয়াদা শরুক য়ারুরে। ইন্টরনেসনলগী মফম অমদা হেক্তা পাঙথোকপা মাইমগী ফেষ্টিবেল অমদা কনা-কনাবু ইনভাইট তৌগদগে হায়না খন্নরকপদা খূৎ থেক্লিবা য়াম্না চাউথোকচনীংঙাই ওইরবা গ্রুপ অমনি। স্পোন্সর তৌবীনবা অমদি তেংবাঙবীনবা লৈতবনা শেল থুমগী অৱাবা কয়াদগী শরুক য়াদবনা কোঙ্গাইনি। মরন্নাই ওইনা ৱানা হোৎনদুনা অখন্নবা মফম খরদদি শরুক য়ারুরে। ইন্দিয়াদা অনৌবা অমা ওইনা লাক্লিবা মাইম থিএটর অসিগী ওইনদি মণিপুরগী লৈহাওদা হৌরক্লিবা কে এম টি আর মশেক মঙালগা লোয়ননা শাফোংলিবা গ্রুপ অসি য়াম্না মাঙজিল থানা চৎলি। মাইম থিএটরগী ওইনা লৈরিবা মচৎ অমা ওইরিবা ফিজেৎ, লৈতেং কয়া অসিদগী গ্রুপ অসিনা থুগাইরগা মাইমগী অনৌবা মশক অমা শাগৎনবা হোৎনরক্লিবা অসি তশেংনা পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইরি। নেসনলগী থাক্তা মনা মথুম কয়া ফংলকপগা লোয়ননা গ্রুপ অসিনা পুথোকপা প্লেদা মণিপুরদা লৈরিবা লূপশিংনা মখোয়গী অখন্নবা থৌরম অমদি ফন্দ রাইজিংগী শরুক অমা ওইনা চেরিটি লৌখিবা ফাওবা লৈখ্রে।



মসি মণিপুরদা ঙম্লিঙৈগী মতমদা য়াম্না তোয়না তৌরম্লবসু চহী কয়া অসিদদি কাউনখ্রবা মাল্লি। কে এম টি আরগী প্রদক্সন্দা অখন্নবা উৎনবা হোৎনরকপা অমদি চেরিটি ফাওবা লৌরক্লিবা অসিনা তাকপদি মীয়ামগী অপাম্বা কয়া অদু লূপ অসিগী প্রদক্সনদা ময়েক শেংনা য়াওরি হায়বা অদু তাক্লিবনি। গ্রুপ অসিগী অনৌবা প্রদক্সন অমা পুথোকপদা মীয়ামগী পূক্নিংদা য়েংনীংবগী অচৌবা ইথিল অমা পীবা ঙম্লিবা অসিমক মণিপুরী থিএটরগী মায় পাকপা অমদি নৌনা ওদিএন্সশিংবু কোনশিল্লকপগী মশক অমনি হায়না লৌবা য়াই। পূম্নমকশিং অসিসু পূন্না য়েংবদা হন্দক গ্রুপ অসিগী মশাগী ওইজবা হোল অমা ইনোগ্যুরেট তৌরকপা অসিনা হেন্না ফবা প্রদক্সন কয়া শোয়দনা মথং-মথং পুথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা থম্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪।০৪।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
লমতাগী ২৩নি পানবা।

মেষ : হৈথোই শিংথোইবা খরা ৱাৎলসু পন্দুনা লৈরম্বা থবক পাংবা অমদি পন্দুনা লৈরম্বা শেল থুম ফংজবা য়াবা লৈগনি। হুরানবনা তাথী-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - অয়েৎপদি কোক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃষ : লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি হুরানবনা তাথীবা লৈ-মশক খঙদবা লোয়নগনু। হনবা লৈতনা হোৎনবনা লন চংবা, মীকোক থোংবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : নচাক নরল চাওখৎপা অমদি মীকোক থোংগদবা নুমিৎনি। চিংনদনা নাইতোম ৱা তুপ্পা ঙমজগনি অমদি লৈঙাক্কী লম্‌দা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংবা ঙসিসু লৈগনি। অনীংবা থবক থৌনা লৈনা পাংবা ঙমগনি অমদি নচাক ননাইসু চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : য়েক্লবা য়াম্মী - অরোন অথুপ হায়দোক্কনু অমদি চিন য়াংগনু। অফবা খরসু ফংজৌ হায়বদি লৈ অমদি মীরক চংলগা হেন্না নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : কোক খরা শাবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নদবা নুমিৎনি। ঈংথনা লৈবনা শাফবা হেনগনি অমদি হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ চিনি অঙাংবা।

তুলা : লাইবক ফবা, ঙাঙ-শকপা হৈবা অমদি অঙম্বনা চানবীবা নুমিৎনি। অশাওবা অমদি ফিংবনা নুংশাথিবা নংবা য়াই-তপথৌ। অনীংবদি পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : মরুপ অমদি নক্নবশিংনা তেংবাঙবীবা অফবা নুমিৎনি। লৌশিং চাওবদি ৱাৎলি অদুনা অখঙ অহৈগী ৱা তাও অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল চরাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু : লাইবক ফবা, পূক্নিং নুংঙাইবা অমদি ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজবা নুমিৎনি। মীয়াম অমদি পল্লম্বা মতেং শোইদনা ফংগনি। অঙম্বনা তাথীবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : চাদিং হেনবা, মরুপ মপাংনা চানবীবা ৱাৎপা অমদি শেল-থুম পনবা লৈরসু ইচং থৌবনা কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি মফম কনজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : মরুপ মপাং নুংশিনবদি ৱাৎকনি অমদি য়েৎনবনা পোথাফম খঙদবা লৈগনি। অদুবু লাইবক ফবনা মায়-পাকপা অমদি মীচং ফংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মিন : অয়াম্বা থবক্তা মায় পাকহনগে-পাকহল্লোই নশাদা লৈরে। খুৎচাও থাবা য়াগনি, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি অমদি লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



## হুইয়েন জোক্স

ইঞ্জিনিয়র তম্বা মহৈরোয় : সর, ঐখোয়না অনৌবা পোৎশক অমা শারে...! মদুগী মতেংনা ফক্লাংগী মপান্দা অমদি মনুংদা করি লৈবগে হায়বদু ময়েক শেংনা উবা ঙম্মী।

ওজা : হরাউরদুনা হায়রকই- ভেরি গুদ ... ! নখোয়না শারিবা পোৎশক অদু ঐঙোন্দা য়েংহল্লু।

ষ্টুদেন্ট : ফক্লাং হোগায়দুনা অহোবা অমা শেম্লে মসি য়েংবিয়ু, অহোবা মখুল অসিদগী মনুং-মপান লোয়না উবা ঙম্লে ...!

---

লোকদাউন মনুংদা দুকানশিং থোং লোন্নরম্মী...

চাউতোননা তঙাইফদবা পোৎ অমা লৈনবা চৎপদা দুকান থোং লোনবা থেংনরম্মী। অদুবু দুকান অদুগী সটরদা ইরম্মী 'করিগুম্বা ওনলাইন ওর্দর তৌনিংলবদি নম্বর অসিদা ফোন তৌবিরকউ।'

চাওতোন্না খুদক্তা ফোন তৌশিল্লি। ফোনদা হায়রকই, সটর থাঙ্গৎলগা মনুংদা থুনা চঙলকউ... !

---

পিনাও : পিক্তু, লম্বীদা লুপা ৫০ চৎপী অমগা ১০০ চৎপী অমগা তারল্লবদি করম্বা খুনগনি?

পিক্তু : লুপা ১০০ চৎপী ওইনা খুনগনি।

পিনাও : মদুদনি নঙ য়াম্না পংই হায়রিবসি ৫০ চৎপী অমদি ১০০ চৎপী অনীমক অদুম খুনবা য়াবদুবু ...!

---

তাতোন্না মশাগী নুপীদা খুপাক অমখক থারুবগীদমক জজনা লুপা ১০০০ ফাইন ওইনা পীনবগী য়াথং পীখি।

মতম অদুদা তাতোন্না জজদা হংই- 'অনীশুবা খুপাক অমগসু থাবা য়াগদরা ...??'

জজ : করিগী থাগদৌরিবনো?

তাতোন : ঐগী নাক্তা লুপা ২০০০ লৈ, অচোইবা লৈতে সর ...!!

---

লোকদাউন মনুংদা হোম টু ৱর্ক তৌনরিঙৈ মতমদা ...

বোস : ঐনা ফোন তৌবদা নঙগী নুপীনা হায়রকই, নঙ চাক থোংলি হায়না। চাক থোংবা লোয়রগা ফোন তৌরকপা য়াদ্রা?

ইমপ্লোয়ী : সর, ঐনা ফোন তৌজবনি, মেদাম্না ফোন থাঙ্গৎলকই অদুগা হায়রকই নখোয়গী বোস কোন য়াম্না কন্না ফেংলি হায়না...!

---

নাওচি : পুংদোল অমা লৈদুনা চাগে তৌবদা পুংদোল মনুংদা তিন য়াওরম্বা থেংনৈ।

পুংদোল য়োল্লিবা নুপা অদুদা মহাক্না হায়, পুংদোল অসিদি তিন য়াম্না য়াওরে।

পুংদোল য়োনবা : ইবুংঙো মসি লাইবক্কী ৱানি। কনানা খঙবনো অতোপ্পা পুংদোল অমদা সনা য়াওরম্বসু।

নাউচি : অদু ওইরবদি কিলো অনী ওইনা পীরকউ।


☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: Unicorn
By: Trishil Laishram
Class: II
School: S.L. Arena of Learning




Title: A Little Mermaid
By: Trisini Laishram
Class: II
School: S.L. Arena of Learning




Title: Mother's Love
By: Ngasepam Manshita Devi
Class: V Sec: B
School: Nirmalabas High School




Title: Palace
By: Lovely Lourembam
Class: IV Sec: C
School: Pitambara English School



Title: A Tree
By: Thadoisana Thokchom
Class: K.G.
School: P.P. Academy




Title: A House
By: Jacqueline
School: Heritage Convent



Title: Scenery
By: Diti
School: KVS Lamphel



Title: Helicopter
By: Thawanthaba W.
School: Premier English Academy



Title: A Doll
By: Kh. Urvashi
School: Heritage Convent

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।